# পি এম মোদি, অমিত শাহ, রাহুল গান্ধীনচিংবনা রাজাস্থান অমসুং টেলঙ্গনাদা কন্না ভোত খোন্নরি




***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩ঃ***

রাজাস্থান অমসুং টেলঙ্গনাদা এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লকখিবা, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মকোকথোঙবা লূচিংবশিংনা মখোয়গী অরোইবা কেম্পেনদা কন্না-কন্না ভোত খোন্নরি। টেলঙ্গনাদা ঙসি পাংথোক্কদবা মীখলগা মরী লৈনবা মীফমশিংদা রাহুল গান্ধী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্রা ঙাংগদৌরি।

ষ্টেট অসিদা চীফ মিনিষ্টর কে সি আরসু মীফম ৬তা ব্রা ঙাংগদৌরি। রাজাস্থান লোমদসু বি জে পি চীফ অমিত শাহ অমসুং যোগী অদিত্যনাথনা কেম্পেন তৌদৌরি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা উত্তর প্রদেসতা যোগী অদিত্যনাথনা মাগী টেলঙ্গানা কেম্পেনদা ওল্ড ইন্দিয়া মজলিস-ই-ইত্তেহাদুল মুস্লিমি (এ আই এম আই এম) লূচিংবা অসাউদ্দিন কব্রাইসিদা ব্রানিং অমা তৌদুনা ব্রাথোক অমা থোকহনখি। রাহুল গান্ধী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাজাস্থানদা মখোয়না পাকশন্না চথখিবা কেম্পেনদা অমনা অমগী মথক্তা লন্নাই ওইনা থীনা-থীনা চৈনখি।

বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসিদি নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা মরৈবাক নীংবশিংগী পার্টি অমনি। অদুবু কংগ্রেসতি লূচিংবা অমা লৈতবা পোলিসি নৎত্রগা প্রিনসিপল য়াওদবা পার্টি অমনি হায়রদুনা রাজাস্থানদা কংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট লাওথোকপা ঙমদবগীদমক রাহুল গান্ধীদা ঙসি বি জে পি চীফ অমিত শাহনা করেমনখি।

ঙসি মীফম ৫ রোমদা অমিত শাহনা রাজাস্থানদা ব্রা ঙাংগদৌরিবশিংগী মনূংদগী মীফম অমদা শরুক য়াদুনা ব্রা ঙাংবা হৌখ্রে। মহাক্না ঙরাং টেলঙ্গনাদা মলকাজগিরিদা রোদসো অমা পাংথোকখি। মদুদা মহাক্না কংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টোদা মসজিত অমসুং চর্চশিংদা ইলেক্ট্রিসিটি লেন্না পীগনি ব্রাশকখি। অদুবু লাইশিংশিংগীদি পনখিদে হায়খি।

টি আর এস অমসুং কংগ্রেস অনীমক্না মাইনোরিটি কম্যুনিটিদা ঙাইহাক্কী হরাউহন্নবগী পোলিসি চথরি হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

# লৈবাক ২০০না ক্লাইমেট চেঞ্জগী চয়োল ২গী মীফম হৌখ্রে, ৱর্ল্ড বেঙ্কনা ক্লাইমেট চেঞ্জ ফন্দিং দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০দা হেনগৎখ্রে





***কেটোৱিস, পোলেন্দ দিসেম্বর ৩ঃ***

ফোসিল ফুয়েলশিং শিজিনবা থাদোক্নবা ইতিহাসিক ওইরবা ২০১৫ পেরিস দিল মতূংদগী খ্বাইদগী মরুওইরবা গ্লোবেল ৱামিংগী মতাংদা পাংথোকপা য়ু এস মীফমদা লৈবাক ২০০ রোমদগী দেলিগেটশিংনা পোলিটিকেলগী মত মান্নদবশিং লোয়শিন্নবা ঙরাংদগী চয়োল অনীগী ৱারী শানবা হৌখ্রে। অমরোমদা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেঙননবা ফন্দিং হানদগী শরুক ২ হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ য়ৌহনখ্রে।

পোলেনগী কেয়ল্লা লমদমগী ময়োল কেটোৱিষ্টতা মালেমগী লৈবাক ২০০ রোম্না চথরিবা নেগোসিয়েসনশিং অসিনা গ্রীন হাউস গ্যাস ইমিসন থাদোকপা হেনগৎলক্লিবা অসিগী শাথিনা খুদোঙ-থিনীংঙাই ওইবা অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লরকখিবা তোঙান-তোঙানবা মান্নদবা মতশিং অদু মপূং ফানা লোয়শিনবা ঙমগনি হায়বা থাজবা নেন্না লৈ। ২০১৫ পেরিস এগ্রিমেন্টকী মতূংদগী পোলিটিকেল ক্লাইমেটশিং অহোঙবা লাকখ্রে।

মসি য়াম্না মরুওইবা কনফরেন্স অমনি। ঐখোয়না ক্লাইমেট চেঞ্জগী ৱাথোক কোকহন্নবগী মথৌ তারিবা য়াম্না থুনমক লৌখৎকদবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা পাংথোক্লিবা মীফম অমনি হায়না য়ু এন ক্লাইমেট চেঞ্জ চীফ পেট্রিসিয়া এস্পিনোসানা পাউমীশিংদা হায়খি।

পেরিস এগ্রিমেন্টকী নেগোসিয়েসন লূচিংখিবা ফ্রান্সকী লোরেন্ট ফেবিয়স য়াওনা য়ু এন ক্লাইমেট চেঞ্জগী হান্নগী প্রসিডেন্ট ৪না অকনবা থবক চথনবগী ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখি। হৌজিক মালেম অসি লম্বী-লম্ফাংনফম অমদা লৈরে। থুনমক ময়োক্নরগদবা অকিবশিং লাক্লিনবা লাক্লিবা মথং চহি ২দা শোয়দনমক পাংথোক্কদবা খোঙথাংগী ৱারেপ লৌবা মরুওই হায়না জেইন ষ্টেটমেন্ট অমদা হান্নগী প্রসিডেন্ট ৪না হায়খি।

ক্লাইমেট চেঞ্জ থেঙননবগীদমক ৱর্ল্ড বেঙ্কনা মমাঙগী চহি ৫দা থাখিবা শেনফমদগী শরুক ২ হেনগৎতুনা ২০২১-২৫কীদমক দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ থাদগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পোলেনদা লৈবাক ২০০ রোমনা য়ু এন ক্লাইমেট সমিট পাংথোক্লিবা অদুগা চাননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মসিগা মাননা থবক তৌনবা গ্লোবেল কম্যুনিটিদা মরুওইবা ইঙ্গিৎ অমা পীদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ লাক্লিনবা শিংথানীংঙাই ওইনা অৱাংবা পান্দম অমা থম্বনি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্কনা হায়খি।

সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা ঈচাউ অমসুং ঈকং থোক্লিবা অসিগী ময়োক্তা থবক লৌখৎতবা য়াদবগী তঙাই ফদবা অথুবা অদুগী য়েঙলগা ঐখোয়না মদুগী হৌরকফম মরমশিং অদু থেঙনগদবনি। মালেমগী খ্বাইদগী লায়রবা মীয়ামগীদমক খুদোঙ থিবা ওইগদৌরিবা ফলশিং অদুদা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্ককী সি ই ও কৃষ্টালিনা জোর্জিভানা হায়খি।

# গ্রান্দ এলায়েন্স খন্ননবা ওপোজিসন পার্টি ৫ মথং চয়োলদা দিল্লিদা উন্নগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩ঃ***



বি জে পিনা লূচিংবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ)গী ময়োক্তা থেঙনবা ঙম্নবা মথং চহিদা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগা মাঙওইননা গ্রান্দ এলায়েন্স অমা শেম্নবগী থৌরাং তৌনবা পালিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম হৌগদবগী অমসুং ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি মীখলশিংগী ফল লাওথোক্কদবা নোংমগী মমাঙ দিসেম্বর ১০ ন্যু দিল্লিদা ওপোজিসন পার্টিশিং উন্নগদৌরি।

কনষ্টিট্যুসন ক্লবতা পাংথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা য়াওরবা য়ারিবা লূচিংবশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর এম চন্দ্রবাবু নাইদু, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, ৱেষ্ট বেঙ্গোল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজি, হান্নগী য়ুনিয়ন মীনিষ্টর শরদ যাদব, নেসনেল কনফরেন্স লূচিংবা ফরুক অবদুল্ল, সমাজৱাদি পার্টি লূচিংবা রাম গোপাল যাদব অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংগী লূচিংবশিংনি।

মীফম অদুনা শেমগদবা ওপোজিসন এলায়েন্স অদুগী মওং অমসুং কয়াৎকী মরমদা মরু ওইনা খন্নগনি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা আর বি আই, সি বি আই, সি ভি সি অমসুং ইনকমটেক্স দিপার্টমেন্টনচিংবা ইষ্টিট্যুসনশিংগী পোলিটিকেল রাইভেলশিংগী মথক্তা খুৰো থাংহন্নবা লান্না শিজিনবগুম্বা মীৎয়েঙ ময়োক্তা লৈবা পোলিসিশিং অদু থেঙননবা এক্সন-প্লান অমা দ্রাফ তৌরবা য়াই হায়না ওপোজিসন লূচিংবা অমনা পাউগী এজেনসিদা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অসি মৈধ্য প্রদেশ, ছতিসগর, টেলঙ্গনা, রাজাস্থান অমসুং মিজোরামগী এসেমব্লি মীখলশিংগী ভোত মশীং থিগদবা নোংমগী মমাঙদনি।

# ঐখোয়না মিসাইল চাংয়েঙ তৌবা মখা চত্থখিগনিঃ ইরান

***দুবাই, দিসেম্বর ৩ঃ***



ইরাননা মখোয়গী লৈবাকপু য়েক্নবশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা মীসাইলশিং চাংয়েঙতৌবা মখা চত্থখিগনি হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে অমসুং লানগী বোমশিং পুবা ঙম্বা অনৌবা মিসাইল অমা টেহরানা চাংয়েঙখ্রে হায়না য়ু এসনা শিরকখিবা মরাল অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অসিদা চত্থখিবা মিসাইল চাংয়েঙশিং অসিনা য়ু এন ৱারেপশিং থুগাইদে হায়খ্রে।

ৱাসিংটননা তোকখ্রবা ২০১৫ ইরান ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম থুগাইদুনা ময়াই ওইরব শানবা বাল্লিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েঙখিবনি হায়রদুনা য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা চাংয়েঙ অদু থাংজা নুমিৎতা কন্দেম তৌখিবনি।

মিসাইল চাংয়েঙশিং অসি লৈবাক অসিগী ঙাকথোক্নবগীদমক অমসুং লৈবাক অসিদা মীনা কাইহৌবা ঙমদনবগীদমক পাংথোকপনি মসি ঐখোয়না মখা চত্থখিগনি হায়না সেমি-ওফিসিয়েল টাসনিম নিউজ এজেনসিনা ইরানগী আর্মি ফোর্সশিংগী ৱাংলোই ব্রিগেদিয়ার জেনরেল এবোলফজল সেকারচিগী ৱাফম পল্লদুনা হায়খি।

ঐখোয়না মিসাইল দিভলপ তৌবা অমসুং চাংয়েঙ তৌবা অনীমক মখা চত্থখিগনি। মসি ন্যুক্লিয়ার নেগোসিয়সনশিংগী ফ্রেমৱাক অদুগী মপানদনি অমসুং ঐখোয়না কনাগুম্বা লৈবাক অমদগী অয়াবা লৌবগী মথৌতাদবা ঐখোয়গী নেসন সেক্যুরিটিগী খোঙথাং অমনি হায়না আর্মিগী ৱাংলোই অসিনা হায়খি। ইরান্না অনৌবা মিসাইল অমা চাংয়েঙখ্রে হায়বদুদি মহাক্না চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বগী ৱাফমদি ফোঙদোকখিদে।

মসিগী মমাঙদা য়ু এস নেসনেল সেক্যুরিট এদভাইজর জোন বোলটোননা ইরাননা ইজরেল অমসুং য়ুরোপ য়ৌবা ঙম্বা বাল্লিষ্টিক মিসাইল অমা কাপ্তুনা চাংয়েঙখ্রে। মসিগী কাইহৌবগী লিচৎ অসি য়াদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়না ত্বইটতৌখি।

ইরাননা মিসাইল প্রোগ্রাম চত্থবা অমসুং চাংয়েঙ তৌবদা অথিঙবা থম্বা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱারেপ লৈতে। মসিগী মথক্তা ইরানগী মিসাইলশিং অসি য়াম্না শেঙনা মশা ঙাকথোক্নবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাংলোই বহরম কাসেমিনা হায়খি।

# নেভিনা লানগী জহাজ অমসুং সবমেরিন ৫৬ হাপচিন্নবগী মীৎয়েঙ থম্লিঃ এদমিরেন লানবা



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩ঃ***

নেভিগী মেরিটাইম কেপাবিলিটি হেন্না কনখৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ থম্লদুনা লানগী জহাজ অমসুং সবমিরিন ৫৬ হাপচিন্নবা ইন্দিয়ান নেভিনা মীৎয়েঙ থমলি অমসুং ৩শুবা এয়ারক্রোফ কেরিয়র অমা হাপচিনবগী থবকসু হৌখ্রে হায়না নেভিগী চীফ এদমিরেন সুনিল লানবানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নেভিনা মসিগী হৌজিক লৈরিবা মপাঙ্গল অসিদগী হেন্না কনখৎনবা লানগী জহাজ অমসুং সবমিরিন ৫৬ হাপচিন্নবগী মীৎয়েঙ থম্লি। মসি হৌজিক হৌজিক শাবগী থবক চথরিবা লানগী জহাজ ৩২ অদুদগী অহেনবনি হায়না মহাক্না মাগী চহিগী ওইবা প্রেস কনফরেন্সতা হায়খি।

সিচিলিজগী এজুমসন আইলেন্দদা নেভিগী বেজ অমা লিংখৎনবগী ৱাফম অদু ইথৎ লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নবগী থবক চথরি। হৌজিক ঐখোয়গা চান্নবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈরবা মালদিপসকা মেরিটাইমগী কোওপরেসন কনখৎহল্লগনি হায়না নেভি চীফ অসিনা হায়খি।

# লূপা লাক্ষ ১গী মনা লাওথোকখ্রবা মাওইষ্ট নুপী ১ ওরিষাদা সরেন্দর তৌখ্রে



***মলকানগিরি, দিসেম্বর ৩ঃ***

ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙম্বদা লূপা লাক্ষ অমগী মনা পীগনি লাওথোকখ্রবী মশাগী চহি ২৩ শুরবী ইদে মাদি কৌবী মাওইষ্ট লালহৌবা য়াওবী নুপী অমা ঙসি পুলিসতা সরেন্দর তৌরকখ্রে। মহাক্না সেরেন্দর তৌরকখিবা অসি সি পি আই (মাওইষ্ট)না চত্থরিবা পি এল জি এ (পিপলস লিবরেসন গোরিলা আর্মি) ব্রিক মনূংদা ওইবনা মসি পুলিসকীদমক অচৌবা মায় পাকপা অমনি অমরোমদা রেদ রিবেলশিং অদুদা অচৌবা চৈফু অমনি।

মাওইষ্টনা পি এল জি এ ব্রিক থৌরম অদু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতগী দিসেম্বর ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

মলকানগীরি দিষ্ট্রিক্টকী ওদিয়া এরিয়াগী সিলাকোত খূনদগী ইদে মাদি হায়রিবী মাওইষ্ট নুপী অসি মীহাৎপা য়াওনা ক্রাইম কয়াদা চৈন্নে। মাবু ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙম্বদা লূপা লাক্ষ ১ মানা পীগনি হায়না ওরিষা গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখ্রবনি।

মহাক্না লালহৌবগী থবক তৌরিবা কালিমেলা হায়রিবা অদুগী মনূং হঞ্জিবা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্না তোয়না এন্টি মাওইষ্ট ওপরেসনশিং চত্থবা, হীংশানা লৈখা তানা মাং তাকহনবা অমসুং মরাল লৈজদবা মীওইশিংবু অথিনা হাৎপদা চেনবা মাওইষ্ট কেদর খরগী থৌওংশিংদগী মহাক্না লালহৌবা থাদোক্লগা সরেন্দ্র তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না মলকানগীরি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, জগমোহন মীনানা হায়খি। হৌজিক মহাকপু গভর্ণমেন্টকী সরেন্দর এন্দ রিহেবিলিটেসন স্কিমগী মখাদা শেনগী অমসুং মখল কয়াগী মতেঙ পীরগনি।

# এয়ার ষ্ট্রাইকতা তালিবান কমান্দর শিখ্রে

***লাসকর গাহা, দিসেম্বর ৩ঃ***



অফগান অমসুং য়ু এস স্পীসেল ফোর্সশিংগী অপূনবা ওপরেসন অমনা আফগানিষ্টানগী খা থংবা প্রোভিন্স হেলমনদা নোংথক্তগী চত্থখিবা এটেকতা তালিবানগী মখোক থোঙবা কামান্দর অমা শিখ্রে হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা আফগান ওফিসিয়েলশিং অমসুং টালিবান মেম্বরশিং ফোঙদোকখ্রে।

লালহৌবা অসিগী হেলমন প্রোভিন্সকী মকোক ওইনা থৌ পীরিবা অবদুল মনানা নৱাজাদ দিষ্ট্রিক্টতা মপম অদুগী কমান্দরশিং অমসুং ফাইটরশিংনা থাংজ নুমিৎতা মীফম অমা পাংথোক্লিঙৈদা নোংথক্তগী চত্থরকখিবা এটেকতা অতোপ্পা মীওই ২৯গা লোয়ননা মহাক শিখিবনি হায়না হেলমন প্রোভিন্সকী গভর্ণর মহমদ য়াসিন খান্না হায়খি।

মহাক শিখিবগী ৱাফম অদু হেলমন অমসুং থঙনবা কন্দহার প্রোভিন্সদা লৈরিবা টালিবান মেম্বরশিংনা চুম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে অদুবু য়ু এস মিলিটরি নাকন্দগীদি ৱা অমত্তা ফোঙদোক্লকত্রি অমসুং থৌদোক অদু মখোয়না য়েঙশিল্লি হায়খি।

২০১৪দা ইন্টনেসনেল কম্পেট মিসন অয়াম্বা লেপখ্রবগী মতূংগী চহিশিংদা হেলমন প্রোভিন্স পায়শিনবা হেনগৎলকখিবা তালিবান ফাইটরশিংবু কমান্দ তৌখিবা মুল্লাহ মনাননা শিখিবা অসি অফগান ওফিসিলেশিংনা অচৌবা মায়পাকপা অমা ওইনা লৌই লৈবাক অসিগী খা থঙবদা মহাক্না খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইরিবা তলিবান কমান্দরনি অমসুং মহাক শিখিবা অসিনা সেক্যুরিটিদা অচৌবা খুদোঙ চাবা অমা ফঙহল্লগনি হায়না কাবুলদা সেনিয়ার সেক্যুরিটি ওফিসিলেয় অমনা হায়খি।

তালিবানগী কমান্দর অসি শিবগী পাউ অসি অফগানিষ্টানদা চহি ১৭ শুরবা লান লোয়শিনহন্ননবগী শান্তীগী ৱারোইশিন অমা ফঙনবা কনা হোৎনরক্লিঙৈ লোয়ননা নোংচুপ্পা শৌগৎপা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং তালিবানা অনীমক্না মখোয়গী তোঙজবা খোঙফম শেন্নবা হোৎনরিঙৈ তানফমদা লাকখিবনি।

# ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি য়েঙনবা নুমিৎ খুদিংগী মীওই ৩০,০০০ লাক্লিঃ ওফিসিয়েল



***বদোদরা, দিসেম্বর ৩ঃ***

সরদার পটেলদা কত্থোকপা, গুজরাতকী নরমদা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীটর ১৮২ৱাংবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি অদু লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মকোক থোঙবা লমকোয়ফমশিংগী মনূংদা অমা য়াম্না থুনা ওইরকখ্রে অমসুং হৌজিক নুমিৎ খুদিংগী মীওই ৩০,০০০ রোম য়েঙবা লাক্নরে হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেনিয়ার ষ্টেট ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গুজরাত চীফ সেক্রেটরী জে এন সিংহ অমসুং ষ্টেট অসিগী প্রন্সিপাল সেক্রেটরী (টুরিজম) এস জে হায়দর অনীমক্না হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোংমদা য়েঙবা লাক্লিবা মীগী মশীং ৩০,০০০নি হায়রি।

মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মিতম অসি কেবদিয়াদা সরদার সরোবর দামগী ঈথৎ মচা অমদা লৈ। মসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওক্টোবর ৩১দা মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কথোকখিবনি।

য়ু এস কী কোনসুল-জনরেল এদগাদ কগানসু ঙসি মিতম অসি য়েঙবা লাকখ্রে। মহাক্না মিটির ১৫৩গী অৱাংবদা লৈবা য়েঙফম গেলরি অদুদা নুঙাইনা মতম খরসু লেল্লমখি। মিতম অসি য়াম্নমক পূক্নিং হুনা ফজৈ অমসুং মসি শাখিবগী নূংগী ৱাখল্লোন অদুসু খঙবা নুংঙাই হায়না খোঙচৎ অদুগী মতূংদা মহাক্না হায়খি।

ꯊꯨꯅꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ/URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

Contact no. : 9862780781 & 8416065510

Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.

SL/1194/Upto 24 December2018

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-1347**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 6 | | | | | 8 | | 3 |
| 4 | | 9 | | | 3 | | 2 | |
| 2 | 3 | | 4 | | | | 7 | |
| | 7 | 3 | | 2 | | | | 4 |
| | | 4 | 9 | 7 | | | | 6 |
| | | | 3 | 6 | 4 | 2 | | |
| 8 | | | | | 2 | 3 | | |
| | 9 | | | 4 | | | 5 | |
| | | 2 | 6 | | | 4 | | |

## GAS TODAY

**Hrangchal Gas Agency**
Booking upto : 23/10/18
Valid from : 19/10/18
Stk : 306

**M. M. Gas**
Booking upto : 17/10/18
Valid from : 06/10/18
Stk :306, 19kg&5kg
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lambodra Indane Service**
Booking upto : 25/10/18
Valid from : 18/10/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**B. D. Gas Chandel**
Booking upto : 14/10/18
Valid from : 10/10/18
Stk :270, 19kg 24
Time : 10.00 to 01.30 p.m.

**Leibaklei Gas Kakching**
Booking upto : 30/09/18
Valid from : 13/09/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১৩৪৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 9 | 1 | 4 | 8 | 3 | 7 | 6 |
| 4 | 6 | 1 | 3 | 7 | 2 | 8 | 5 | 9 |
| 3 | 7 | 8 | 6 | 5 | 9 | 2 | 1 | 4 |
| 6 | 3 | 7 | 8 | 2 | 1 | 4 | 9 | 5 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 6 | 4 | 7 | 8 | 3 |
| 9 | 8 | 4 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 | 2 |
| 8 | 4 | 6 | 5 | 1 | 3 | 9 | 2 | 7 |
| 2 | 1 | 5 | 4 | 9 | 7 | 6 | 3 | 8 |
| 7 | 9 | 3 | 2 | 8 | 6 | 5 | 4 | 1 |